# মীচম মীয়াম্বু লোইশিন্নবা মালেমসিদা খূৎলায় লৈতে

**– কর্নেল ঐচ সরত (রিটাইয়র্দ) –**

ঙসি জুন ৯, ২০২৩দা খুন্নাইসিগী ওইরিবা ফীভমসি কংফালদা ইরাক্লবগা চপ মান্নরি। চীংখোঙদা তারিবা খুলগী মীওইশিংদি হায়নীংঙাই লৈতনা ৱারি। লৈমখোঙদা নুমিৎ ৯নি লৈরগা মীয়ামগী অৱাবা, পেন্দবা, চাফম-তূম্ফম মফম মরাং খঙদ্রবা, য়ূম মৈ থাবীখিগদ্রা হায়বগী লাংতক্লবা, নোংমৈ কাপ্পবগী মখোল য়াম্না নক্লনা তাবা, নোংমৈ মরূনা ৱাতোন-ফক্লাংদা য়ৌরকপা, 3" Mortar Shell গী অহৌবা মখোলনচিংবসিনা ঙাইহাক লৈতনা প্রজা মীয়ামদা অৱাবগী মৈবুলশিং লংশিল্লি। ৱানা হিংলিবা বিলো পোভর্টি লাইন (বি পি এল) দা লৈরিবা ইমুংশিংদদি অৱাবগী মথক্তা হেন্না অৱাবা হাপচিল্লি। খ্বাইদগী ঙক্লিংঙাই ওইবদি লৈমখোং এরিয়াগী এম এল এ অদুনি। ফোন তৌবদসু এনগেজমেন্ট টোনদা থমখি। ফোনসু রেসপোন্স তৌদে। মহাক্কী ময়ূমদগী খুল অদু ফাওবদা কিলোমিটর ২গী অরাপ্পা নত্তে। করম্বা মখলগী মীয়ামগী মীহুৎনো হায়বদু খন্থবীয়ু। মহাক সেকেন্দ খরগীদা ওইরবসু লাক্তে।

হৌজিক কংলৈপাক্তা মীশি মীনাগী থৌদোকশিং পাঙথোক্লিবসি লমজিং পুরেল হিজম ইরাবতগুম্বা মীওইনা ফম্নাইবা মকোক ওইরম্লবদি অসিগুম্বা ফীভমসি ওইরম্লোই। মতমসিগী মীয়াম্বু শেলনা লৈরগা মীয়ামগী মীহুৎনি হায়রিবশিংগী বাইও-দাটা অমুক্তা হাইগৎতুনা পাবীয়ু। হিজম ইরাবতকী মতিক মগুন ৱান পর্সেন্ট ফাওবা য়াওদে। অমরোমদদি মখোয়সি জিরো পর্সেন্টনি, মহাক্কা চাংদম্নবদা। জিরো পর্সেন্টশিংনা লৈঙাক পায়বদগী মীচম কয়াগী পুন্সি লোইরে, ইখঙ খঙহৌদনা।

ন্যুটোনগী Third Law of Motion - "Every action has equal reaction" হায়বদু শোয়দনা লাক্লিবনি। অফবা থবক অমা পাঙথোকপদা মাইকতা, মীদিয়াদা ৱাখল খনদনা পংলাও লাওবগী ফলনি হন্দক থোক্লিবসি। 'ৱার ওন দ্রগস' কোইলাও লাওবগী করি মথৌ তাবগে? পাঙথোক্দৌবা থবক্তু য়াম্না কূপ্না অখঙ অহৈ কয়াগা তান্নরগা পাঙথোক্লম্লবদি অসিগুম্বা ফীভমসি শুকওই ওইরোই। বৃটিশনা চহী কয়া চাইনিজশিংবু ওপিয়ম পীজরগা থম্লমখি। ঙসি চাইনাসি ৱর্ল্ডগী সুপর পাৱর নম্বর ৱান কন্ত্রিনি। অফবা হয়বসিদি কুইনা নমশিন্দুনা থম্বা য়াবা নত্তে। ইরমদম-ইরৈবাক থম্মোয় শেংনা নুংশিবা মী ৱাৎতে হায়বসিদি হন্দক লৈমখোংদা উরে। অদুবু মরিংজেল, মথৌনা ফখ্রবা মখোয়বু লমজিং-লমতাপীগদৌবদি ইৱাৎ ৱাৎলি। লৈবাক্কী চীরবা তাঞ্জাদা 'থিঙ্ক টেঙ্ক' লৈতে। অদুগা ৱারেমশিংগী মতম মাঙহন্নবা মীটিংদদি মশীং খঙদ্রবা মশা মতোমতা খ্বাইদগী অহেনবা থিঙ্ক টেঙ্কনি খল্লগা ৱা ঙাঙগনি। মসিনি খুন্নাইসিগী অশোয়বসি। লিংজেল মান্নসি। ঐখোয় পূম্নমক অমত্তা ওইসি। ইরমদম কনসি। মীনা উশিৎতবা য়াদে।

হন্দক্কী থৌদোক অসিনা করপসনগী লন-থুম পূম্নমক উৎ ওনখ্রে। শোথরবা চীংমীশিংনা ফংগদৌবা খুদোংচাবশিংদুনি তম্পাক্তা মৈনা চাকখ্রিবা ময়ামসি। চহী খরগী মতুংদা তম্পাক্কী লায়রবা মীয়াম্না ফংগদৌবা ফন্দ অদু তূমিন্না লৌথোকখিবা মীওইশিংগী টর্ন লাকখিগনি। হুরাল্লগা টাজ মহলদগী হেন্না ফজবা বিল্ডিং শারবসু থম্মোয়দি চনীং তানা হিংবা-লৈবা ঙল্লোই। লৈত-লায়রগী ঈ থকপা মীওইশিংবু করম্না পুন্সি লোইখিগনি। ঙসি ফাওবদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী ইনক্কারি অমত্তদা জুদিসিএল/মেজিষ্টিরিএল, ইনক্কারি কম্মিসনগী রিপোর্ট অমত্তা মীয়ামদা মতম চানা খঙহনখিবা লৈতে। ইনক্কারি কম্মিসন হায়বসি eye-watch নি। মীৎ পেন্নবনি। ঈরাংদু নেমথনবগী পাম্বৈ অমনি। মীচম মীয়াম্না খ্বাইদগী ৱানা হিংলিঙৈগী মতমসিদা মিনিষ্টরশিং/এম এল এশিংনা ময়াং লমগী ফজবা দ্রেসশিং শেৎলগা উৎচরিবসিবু কনাদনো? মীওইবশিংগী, জীবশিংগী, পাম্বীশিংগী য়াইফনবা খনবা মী ওইবিয়ু। শিরগনি নৎত্রগা হিংখিগনি মফম মরাং খঙদ্রবা ৱারবা মীওই অমত্তনা ওক্তবা-ওক্তবীগী ৱাহৈ অমত্তা তানীংলোই, মশক উনীংলোই। ৱাহল্লিবা মীচম মীয়ামগী তেকচাক শোয়দনা ফংগনি।

ঙাইহাক লৈতনা ৱাথোক ওইরিবশিংগী ৱারোইশিন অমা পুরকপা ঙমগদৌবা সোলুসন অমা লৈতবগুম তৌরি। ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী পাইরক লৌশিংনা লৈবাক ঙাকপা য়াবা নত্তে। প্রজা মীয়ামসি হংলাই খরনা চহী কয়া শান্নদুনা লৈখিগনি? মসিগী অরোইবা মতম অমা শোয়দনা লাকখিগনি। ইজরিবা ঐহাক্না চহী ৩০ হেন্না খঙ্গরকখি মদুদি ঐখোয়গী খুন্নাইসিগা অতোপ্পা লমগী মীগা অসুক য়াম্না খেন্নরিবসি করিগীনো হায়না। মদুগী পাউখুমদু হন্দক্তা খঙলে অমসুং ফংলে। অফবা থবক অমত্তা পাঙথোকসি য়াদ্রিবসিগী মরম য়াম্না চাওনা লৈরম্লে। কংলৈপাক্কী চাদা ৯০দি মীশিংগী ঈ অসি য়ানশিন্নবা ঈ ওইখরে। ওইখিবগী মরমসি চহী তরেৎ খুন্তাকপা, অতোপ্পা ধর্ম্ম হোংদোকপগী মতমদা মপানগী ময়াং মচাশিং লাক্লগা মচাশিং থম্লম্বা, পাখং মুসলিম ঙাক্তা লমদম অসিদা লাকশিনখ্রগা মচা মশুশিং মথং মথং শন্দোকখিবা সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱার (১৯৩৯-১৯৪৫) গী মতমদসু Mixed blood কী কাঙলূপশিংগী ওইখরে। মীয়ামসিগী মরক্তা চাদা ১০ খক্তদি অফবা অশেংবা কংলৈপাক্কী মচাশিং ওইখি খনজে। মরম অসিনা লমদম অসিগা অতোপ্পা মফমশিংগা হায়নীংঙাই লৈতনা খেন্নরিবসি। খুন্নাই অসিবু অফবা লৈবাক অমা ওইনা শেম্বসি য়াম্না ৱাগনি খঞে। Crossed Blood কী মীশিংসি য়াম্না কন্নিং ওইবা, মতোমতা য়াম্না পোংজ-চাওজনীংবা, থবক শুনীংদবা, অতনবা মীশিং, মীবু উশিৎ থৌওইদবা, লমচৎ-শাজৎ লুদবসিদি ঈদা অদুম য়াওজখ্রবা হোংদোকপা য়াররোইদবনি। অসুম্না য়াম্না পাক চাওনা য়েংশিল্লুবদা থায়নদগী হৌনা খুন্নাইসিগী পুৱারীদা, চেগী লমায়দা ইরগা থম্লমদ্রবসু ফত্তবশিংগী, ওক্তবা-ওক্তবীগী থৌদোকশিংদি চিনবান্দা অদুম ঙাঙনরিবসিনি। ঙাঙনরিবশিংসি অচুম্বা ঙাক্তনি। মীৎনা উদ্রবসু।

ফত্তবশিংনা মশীং হেনবনিনা অফবা খরসি লিখৎপা ঙমদে। ফত্তবনা, ফত্তবদা শৌগৎপা হায়বসি হৌনশানি। অফবা অমনা ফত্তবা কয়া শেমদোকপা ঙমগনি? থাপনা য়েংবদদি মী অয়াম্বসি মী মাল্লমই। অদুবু য়াম্না কুপ্না য়েংশিল্লুবদা, থিজিল্লগদি মী ওইরমদে। শাশিংদগী হেন্না শাথীবা মীশিং ওইরল্লি। অসিগুম্বা খুন্নাইদা অফবা মী কনানা লৈনীংগনি? হিংনীংগনি? থোক্লিবা থৌদোক পূম্নমকসি ফত্তদুনা থোক্লিবা ঙাক্তনি। অফবা খুন্নাইদা অসিগুম্বা ফি থোংদবগী থবকশিংসি পাঙথোক্দরা?

কংলৈপাক্কী ইমুং কয়াদা মপা মমা অমত্তনা পোকপা মচাশিং কয়া য়াম্না নুংশি চান্ননা লৈবগে য়েংবীয়ু। ইমুং ইয়াম য়ামদবনি। মথক মখা খঙদবা ইমুংনা মশীং হেনবনি। মীনুংশি লৈবা, কৎথোকপগী পুকচেল চেনবা, মতেং পাংনীংবা, লৈত-লায়রবু নুংশিবা, দান তৌবগী থম্মোয় পালহন্নীংই। শিবদা করিসু পুরগা চৎতে হায়বসি ইকাউ কাউরি। চহী খরা হিংবসিদা অসুক য়াম্না নুংশিনদ্রিবসিগী মরম করিগীনো? করম্বা মখলগী ব্রেননো ঐখোয়গী কোক্তা য়াওরিবসি? অসুম্না ঐখোয় পূম্নমক ৱাখল অফবা খনবা মীশিং ওইহন্নীংই। ইশাগী ওইজবনা ইমাংদা থম্লগা হিংলোইসি। মীয়ামগী, লৈবাক্কী, মতুংগী মীরোলগীদমক মতম খরা খরা খাইদোক্লগা ৱাখল খনসি অমসুং অঙম-অঙম্বা থবকশিং পাঙথোক্লমসি। হৌজিক মণিপুরদা হাৎন-শুনরিবা অসি শা-ঙা ফাওবনা পাঙথোক্তবা থবকশিং পাঙথোক্লিবা অসি খুদক্তা লেপ্পীয়ু। কৈদৌবগে ঙাকপীবা হায়বসি মীওইবগী খ্বাইদগী চাওরবা খুদোলনি হায়বসি নীংশিংবীয়ু।

ৱর্ল্ডগী মেপ য়েংলগদি কংলৈপাক্কী সাইজ হায়বদি পাকপা চাওবসি খুজিল মমাই, খ্বাইদগী পীকপা খুদোলগী এরিয়া ফাওবা য়ৌবা নত্তে। অদুবু লমদম অসিদগী ৱর্ল্ড রেকোর্দ ওইখ্রবা থবক থৌরম খরদি - লাইব্রেরি মৈ থাবা, ফি থোংদবা প্রোটেষ্ট, স্পিকরগী চৌক্রিদা হক্কী ঈশিং হানজিনবা, ভাইস চাঞ্চেল্লরদা খূবাক্লা থাবা, নিংথৌনা নুপী ৯৪ লৌথিবা, পৃথিবীগী মরু ওইরিবা জাতিগী নুপাশিংদা লমদম অসিগী নুপীশিংনা ময়ূম পানখিবা, ইলেক্সনদা মীপূম খুদিংদা শেল য়েনবা (মীচম মীয়াম্বু শেলনা লৈবা) নচিংবা কয়া লৈরি।

খুন্নাইসিদদি অফববু শুদৎলগা থম্লি। অফবা নৎত্রগা ফত্তবসি খন্দোকপা ঙমদ্রি। সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর ফাওবা মৱা লৌদবা লমনি। করম্বা মীওইবু খুন্নাইসিদা ইকায়খুম্নরি? অফবদি অঙাওবনি, অপংবনি লৌনৈ। ফত্তবা মীনা অশিংবনি খল্লগা, মীয়ামসু ফত্তবগী মতুং ইল্লি। সংসারগী চৎন-কাঙলোনগা লমদম অসিগা শুকমান মান্নদে। জপানিজশিংগী ৱার্কিং অৱর অসি পুং ১৪দগী হেন্না থবক শুরি। দেটাইমদা মখোয় ফমুংদা তূমদে। হুমাং তানা থবক শুদবগী মেদলশিংনি খুন্নাইসিদা মীয়াম্না থেৎলিবা - দাইবেটিস, হায়পরটেন্সনগী লায়নাশিং, ৱেট হেনবগী লায়না লাইচৎশিংসি। ইবগী লোইবা নাইররোইদবা ৱাফমশিং য়াম্না লৈরি।

খুন্নাই অসিদা থোক্লিবা ঈরাং অয়াম্বসি করপসনদগী থোক্লকপা ঙাক্তনি। মীনম্বা ঙাঙদবা, করপ্ট ওইদবা মী য়াম্না তাঙনা হিংলিবা খুন্নাইনি।

কুমজা ২০০৮গী ওগষ্ট ২২দা সাইন (ন্যু দেল্লীদা) তৌনখিবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট, মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমসুং কুকি মিলিটেন্টস, এগ্রীমেন্ট অদু লমদম অসিদা পিছ পুরকসি হায়না খূৎয়েক পীনখিবনি। চাওখৎতবা থবকশিং থাদোক্লগা চাওখৎপা অমসুং মীওইবগী লমচৎ শাজৎ চৎসি হায়না য়ান্নখিবনি। য়ানখ্রবা ৱাফম্বু ইকায়খুম্নদবসি করি মরমগীনো? মীওইবদি য়ান্নখ্রবা ৱাফমদু ইকায়খুম্নগদবনি।

এগ্রীমেন্ট অদুগী মরু ওইবা ৱাফমদি - দিজিগনেটেদ কেম্পশিংদুদা লেঙদনা লৈগদবনি। কেম্পতগী মপান থোকপদা নোংমৈ পুরগা থোকপা য়াদে। কেম্প মনুংদা সন্ত্রি দ্যুটিগী নোংমৈতমক পীরিবনি। অদুগা মখোয়দা থা খুদিংগী লৈঙাক্লা লুপা ৫০০০সু পীরি।

লৈঙাক্লা এগ্রীমেন্ট ইন্নরগা খূৎয়েক পীনখিবনি। মীচম মীয়ামদি খঙবা নত্তে করিগুম্বা ৱাফম অমত্তসু। মসি লৈঙাক অনীবু উশিৎ-থৌওইদবনি। অদুগা করিসু খঙজদবা মীচম মীয়ামদা মিলিটেন্ট কাঙবুনা মখোয়গী টার্গেটনি খল্লগা নোংমৈ কাপ্লি। লৈঙাকসু, মিলিটেন্ট কাঙবুসু মীচম মীয়ামগী মতিক ময়াই করিনো হায়বদু খন্থদ্রি।

অরোইবদা হায়জনীংবদি - মীচম মীয়াম্বু লোইশিন্নবা পৃথিবীসিদা খূৎলায় অমত্তা লৈতে হায়বসিনি। ৱাফমসি মরী লৈনবশিংনা শুক্কাউ কাউবীদবা ফৈ। ●

# মীওইববু সোসল বিয়িং ওইবরা

**- ইঞ্জিনিয়র নোংমাইথেম নোরেন -**

তাইবঙপানবদা হিংলিবা ঐখোয় মীওইবা হায়বা থৱায় পানবা জিবশিং অসি মতোমতা লৈবা হৈজদে হায়বদি মীওইবসি সোসল বিয়িংনি হায়না সোসিওলোজিষ্টশিংনা হায়। মসি কদাই ফাওবা চুম্বা ৱাফম ওইরিগবা হায়বসি মীওইবা কাঙলূপ অমনা কাঙলূপ অমবু তুম্না লোইশিন্নবা নৎত্রগা নমথনবা হোৎনরকপা মতমদা ঐবু খন্থনবা মচাক অমা পী। মসিগী মরমদি হাৎন-শুনবা হায়বসি সোসল ওইবগী গুন নত্তে, শাবুক-ঙাবুক্কী ৱাখলনি। অমরোমদা অতোপ্পা মীশক অমবু নমথবা হায়বসিসু সোসল ওইবগী ওন্ন-তৈনবা থৌওংনি হায়বদি মীওইবা হায়বসি সোসল বিয়িং অমনি।

মথক্কী ৱাফম অসিগী পুরা ওন্ন-তৈনবা ৱাফমদি চার্লস দারৱিনগী সর্ভাইবেল ওফ দি ফিত্তেষ্ট হায়বা মালেম্বু মীৎ থকহনবা ৱাফম অসিনি। ৱাফম অসিদি হিংমিন্নবগী ৱাফম নতে। অহোয়নদুম হাত্তোক্লবগী ৱাফমনি। অতোপ্পা ৱাহন্থোক অমদা খ্বাইদগী কনবদুনা হিংবা হায়বনি। অশোনবশিং নমথদুনা মাঙহল্লমগদৌরিবনি। সোসল বিয়িং অমা ওইনা হিংমিন্নবদুগী ওন্ন-তৈনবা সর্ভাইবেল ওফ দি ফিত্তেষ্টনি। হায়রিবা মথক্তা পঞ্জরিবা ৱাফম মখল অনী অসি অমদি লানবা নৎত্রগা অনীমক লানবা তাই। মরমদি মখোয় অনী অসি অমনা অমগী ওন্ন-তৈনবনি। মতাং অসিদনি করিনো মসিগী প্রোব্লেম অসিবু হায়না নৈনবা নুংঙাইরক্লিবসি।

মীওইবনা হিংবদা তঙাইফদনা চিঞ্জাক হায়সি চংই। লোয়ননা অঙৈং অশাদগী ঙাকথোক্লবা ফিরোল অমদি মহৌশাগী ওইবা নুংশিৎ-নুংশাদগী ঙাকথোক্লবা য়ূম-কৈ চংই। হায়রিবা চিঞ্জাক, ফিরোল অমদি য়ূম-কৈ হায়বশিং অসি ফংলবা মীওইবনা হেন্না মশা কোম্বা নুংঙাইবা পুন্সি মরেল অমা ফংননবা ৱাখল তৌরকই। অসুম্না মীওইবগী সভ্যতা অসি অসুম অসুম চাওখৎপা অমদি হেন্না হেন্না চাওখৎপা হায়না খঙনবা মায়কৈ অসোমলোমদা খোঙ থাংজিল্লকই। ঙক্লিবদি অসুম অসুম চাওখৎলক্লিবগী মতিক মীওইবগী সমস্যাসু অসুম অসুম হেনগৎলকই। লোয়ননা মীওইবনা মশাগী কান্ননবা য়েংবদা মহৌশাবু হেন্না হেন্না অসুম অসুম মাগী অপাম্বা অনীংবা মওংদা শীজিন্নরকই।

মীওইবনা মখোয় মশীং য়ামদ্রিঙৈদদি মহৌশাগী ওইবা রিসোর্সশিং অসি মরাং কায়রম্বদু হেন্না অসুম মশীং য়াম্লকপদগী রিসোর্সশিং অসিদা হেন্না ষ্ট্রেস পীদুনা হৌজিক ওইরিবা মহৌশাগী খল কায়থরকপনচিংবা প্রোব্লেম কয়া অসি থোক্লকই। ইমুং কয়া পুনশিন্দুনা লৈকায়, লৈকায়দগী লৈবাক খুন্নাই লিংদুনা লৈরক্লবা মতমদা কাঙবু কাঙবু শেম্নদুনা মহৌশাগী রিসোর্সশিং মখোয় মখোয়দনা খুদুম চন্দুনা অতোপ্পা কাঙবুদগী হেন্না রিসোর্সশিং অসি মখোয় মখোয়গীতা ওইবা খুবামনুংদা থম্নবা হোৎনরকই। লোয়ননা মসিনা মখোয় মশেলগী মরক্তা মুক্নরক্তুনা পামখিদ্রবা লাঞ্জাওশিং থোক্লকই। মীচং খোম্নবা, খূৎশু-খূৎলায়শিং শাগৎপনচিংবা মথং মথং প্রোব্লেম ময়াম অমা থোক্লক্তুনা পুবা থাংবা ঙমদ্রবা লমথুংফম অমদা ঙসি মীওইবনা লেপ্লরে! মীওবনা মহৌশাবু খুবামনুংদা থম্নবা হোৎনবদি ঙসি ঙসিসু লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। তৌইগুম্বসুং মহৌশানা মীওইববু মাঙহল্লক্কদ্রা হায়বা ৱাহংসু হংবা য়ারক্লি। মসিগী ময়েক লারবা খুদম হায়ববু গ্লোবেল ৱার্মিং, ওজোন লায়র দিপ্লিসন অমদি অতৈ অতৈ অকিবা ফংলবা মহৌশাগী ওইবা প্রোব্লেম কয়া অমা ঐখোয়না মাঙদা ঙসিদি ইমিৎনা উবা ফংলে, ইখুৎনা লাম্বা ফংলে।

ফোং ফোং শারিবা ৱাফমদা রসিয়া-য়ুক্রেনগী মরক্তা শোক্লরিবা লোইনাইদ্রবা লান অসিদা রসিয়ানা তঙাইফদ্রবদি তমথী-তমথীরবা লানগী খূৎলায় ফাওবা (ন্যুক্লিয়র বোম হায়রিবা জাৎলা হংনীংঙাইনি, কিনীংঙাইনি, খন্থনীংঙাইনি) হেক্তা শীজিন্নগনি হায়না লাউথোকখ্রে। ঐখোয় মীওইবসি ঙসিদি কয়াদা তোনখ্রবনো হায়বদা মীওই খুজোক খরগী য়াকাদা ঐখোয় হিংবা তাদুনা হিংলি । মীয়ামগী লৈঙাক হায়জবা ওইদ্রবা ফেল ওইরবা লৈঙাক পথাপ অমগী মখাদা! কুমজা ১৯৪৫দা নাজিজম ফেল, কুমজা ১৯৮০গী মতুংদা কম্ম্যুনিজম ফেল অদুগা চহী খরগী মমাঙদা দেমোক্রেসি ফেল ওইরবনি। মসি মালেমগী খ্বাইদগী নৌবা পোলিটিকেলগী খোঙচৎনি। লেন্দ ওফ ওপোর্চুনিটিজ হায়না খঙনরম্বা য়ু এস এদা মমাঙঙৈদগী পূম্নমক্লা য়াওবা য়ারম্বা ইনক্লুসিব দেমোক্রেসি অদু ঙসিদি এক্সক্লুসিব দেমোক্রেসি ওল্লক্তুনা অওনবা মশক অমা লৌরকপগী মতমনি। অনীগা অনীগা তিনশিন্নরগা মরি তাবা অঙ্কগুম্বা অশেংবা সাইন্স নত্তবা সবজেক্ট খুদিংমক মতমগী অওনবনা চাইখাইরক্লে হায়বনি। মসি মুন্না খঙলবা ঐখোয়না ঐখোয়গী মাঙদা তারিবা প্রোব্লেম খুদিংমক তরেৎ-তরা থোক্লা থিজিন্দুনা শাফগদবা তুংগী সোসাইটি অমা শেম্বদা অরিবা থিওরিশিং তুংওইনরম্বা য়াম্নমক কান্নগনি। ●

**ষ্টেটকী পাউ**

# জেনিমস অমদি রিমসকী মোর্গতা থম্লক্লিবা হকচাংশিং পুমথরকপগী মনম্না মীয়ামদা হেল্ঠ হজার্দ থোকহল্লে

**ইম্ফাল, জুন ৮ (ঐচ এন এস):**
পোরেম্পাৎতা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) হোস্পিটালগী মোর্গ অমদি লম্ফেলদা লৈবা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কী মোর্গতা লৈরিবা মশক খঙদবা অশিবা হকচাংশিং মরী লৈনবা মীওইশিংনা লৌবা লাক্তবদগী হৌজিক মোর্গ অনী অসিদা মীয়াম্না লাকপা মতমদা নমথীরবা মনম্না নাতোন মেনশিন্নরে।

লোয়ননা মফম অসিদা থবক তৌরিবা ষ্টাফশিংসু অশিবা হকচাংশিংগী পুমথরবা মনমশিংদুনা হিদাক চাইরবসু কয়া ফত্তবনা থবক শুবা মতমদা য়াম্না কুইনা ফমদুনা লৈবা ঙম্নদ্রে হায়রি।

জেনিমস হোস্পিটালগী মোর্গতা হৌজিক মশক খঙদবা পোষ্ট মোর্টেম তৌরগা থম্বা হকচাং ২৫ রোম লৈরি। অদুগা রিমসকী মোর্গতনা হকচাং ২২ রোম লৈরি।

মীওই খরনা ফোঙদোরকপদা পোরোম্পাৎকী মোর্গতা লৈরিবা অশিবা হকচাংশিং অমদি রিমসকী মোর্গতা লৈরিবা অশিবা হকচাংশিং অসি মমাঙ থাগী ২৩ দগী মখা তানা থোক্লকপা কাঙলূপকী ইরাংদা তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈখিদবা হকচাংশিংনি। অদুবু ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা মশক খঙলবা লৈখিদ্রবা থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংশিং খরদি মরী লৈনবা ওথোরিটিগী অয়াবা লৌরগা ইমুং মনুং লৌরগা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে।



অদুবু হৌজিক লৈহৌরিবশিং অসিদি মতম শাংনা লৈরকপনা শকচু মচু ওল্লে, হকচাংসু মচু ওল্লে। থা অমরোম হেন্না লৈরক্লবা অশিবা হকচাংশিং অসি মশক খঙবা ঙমদ্রবনিনা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী ওথোরিটিনা মতম অমা থারগা মখোয়শিং অসি মরী লৈনবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা লৌবা লাক্ত্রগদি ওথোরিটিনা দিস্পোজ তৌনবা থবক তৌহন্নিংবগী অপান্বা ফোঙদোরক্লি।

মফম অসিদা লৈরিবা অশিবা হকচাংশিং অসি লোইনা কোল্ড ষ্টোরেজকী মনুংদা হাপ্পা চন্দবনা গ্রাউন্দ ফ্লোর অমদি দেস্কনচিংবদা হাপ্লগা থম্বদগী মচুম তারক্তুনা কনাগুম্বনা চঙলুবা য়েংলুবা অমদি পোষ্ট মোর্টেম তৌনবা লৌথোকপা চঙলুবদা মচুম অদুনা নানবদগী নাম্থুদুনা তুবসু য়াওনবা য়াওরে। মরম অদুনা অথুবদা অশিবা হকচাংশিং অসি দিস্পোজ তৌনিংবগী অপান্বা ফোঙদোক্লরক্লি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৭**

১) **"নুমিত্তি অসুম থেঙজীল্লক্লি"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো অমসুং অইবা কনানো?

২) **"নয়নী"** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) মণিপুরীদা **"বঙ্কিমচন্দ্র চেট্রজী"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা হন্দোকপনো? লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা কনানো?

৪) **"মণিপুরী জগোয়-ঈশৈ ৱারেং শৈয়োম"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৫) **"করিগীনো নোংমৈবু পান্নিবা নখোয়না/নোংমৈতবু কাপ্পীংলিবা/নোংমৈদা করি য়াওবগে পামজবা মহাও?"** শৈরেং মতেক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কোনশা খুলগী মনাক্তা কুকিগী বঙ্কর শাজিল্লকপদগী খুঞ্জাশিং কিদুনা চেন্নরে

**ইম্ফাল, জুন ৮ (ঐচ এন এস):**
কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সপরমৈনা পুলিস ষ্টেসননা কোনবা নাগাশিংগী খুল ওইরিবা কোনশা খুলগী লমখৈগী মনাক্তা চঙশিল্লক্তুনা কুকি মিলিটেন্টশিংনা বঙ্কর শাদুনা নোংমৈ কাপ্পফম শেমগৎলকপা অসিনা মফম অসিদা লৈরিবা খুঞ্জাশিং খুল থাদোক্তুনা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খুন্তোক খুলদা লাঞ্জেন্নরে হায়রি।

খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না কোনশা খুল হায়রিবা খুল অসি নাগাশিংগী খুল অসিগা থংননা লৈলোন ৱাইফৈ হায়বা কুকি খুল অমা লৈ। কুকি খুল অসিদা হন্দক খূৎলায় পায়বা কুকি মিলিটেন্টশিং কয়ামরুম লাক্তুনা অমদি খূৎলায় পায়রগা চথোক চৎশিন তৌরকপদগী খুঞ্জাশিংদা নুংঙাইতবা অকিবা কয়া পোকই।

মসিদা নত্তনা মখোয়না কোনশা খুলগী নাগা তারিবা লমগী খুনয়াই ফাওবগী শরুক্তা চঙশিল্লক্তুনা বঙ্করশিং শাজিল্লক্তুনা য়েক্লবগা নোংমৈ কাপ্পনবা শেমগৎলকপা অসিনা খুঞ্জাশিং অসি অকিবা ফাওরক্তুনা মফম অদু থাদোক্লগা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট লমদা চেল্লকপনি হায়রি।




কোনশা খুল অসি লিয়াংমৈ, জেলিয়াংরোং নাগা ফুরুপকী ওইবা মরু ওইবা খুল অমনি। খুল অসিগা থংননা লৈরিবা লৈলোন কুকি খুলদা হন্দক খঙহৌদনা কুকি খূৎলায় পায়বা মিলিটেন্টশিং মীচমগী মনাক্তা চঙশিল্লকপা অসিনা খুঞ্জাশিংদা হান্নসু পাউ পীদনা চঙলকপা অসিনা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোরকপা য়াবগী চিংনবা লৈ।

মখোয়না বঙ্করদা খূৎলায় ময়াম পৈশিল্লকপা অসিনা মনাক নকপদা নাগাগী খুঞ্জাশিংনা খুন থাদোক্তুনা কিবদগী চাওনা চেন্নরকপনি।

হিরম অসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা মীৎয়েং চঙহন্নিংই। কুকিশিংনা মফম অসিদা চথরিবা থৌওং অসি খুঞ্জাশিংনা থম্মোয় শোক্লা পেন্দবা কয়া ফোঙদোক্লখি।

অমরোমদা, মমাঙ থাগী ৩ দগী মণিপুরগী মপানদগী চঙলকপা চিন কুকিশিংনা চূড়াচান্দপুর, তেংনৌপল অমদি কাংপোকপীনচিংবদা পিছ রেল্লি অমা চৎলগা চূড়াচান্দপুর অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকা লোন্নবা এরিয়াদা মৈতৈ খুলশিংদা নোংমৈ কাপশিনবা, য়ুম মৈ থাবা, মীচম মীয়ামদা টেররিষ্টকী এটেক চথরকপদগী ঙসি ফাওবা মখা তানা চথরকপা অসিনা মীচম মীয়ামদা খুদোংচাদবা অৱাবা কয়া খম থেংনা মায়োক্লরি। হৌজিক মৈতৈ অমদি কুকি লাক্ষ ১ গী মথক্তা তোঙান তোঙানবা মফমদা রিলিফ কেম্প হাংদুনা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। খ্বাইদগী হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবনা চীংগা তাইনবদা লৈবা মৈতৈ খুলশিংদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা য়ুম মৈ থাদুনা মীওই লিশিং কয়া রিলিফ কেম্পদা অমদি মরী মতাগী ময়ুমদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। মরম অদুনা ষ্টেট অমদি সেন্টর লৈঙাক্লা হিরমসিদা অকনবা মীৎয়েং চঙবীদনা লৈবসি লাইবক থীবনি।

# লমদম অসি মপু পান্দ্রবা লৈঙাক্লা চপ মান্নরে: কেঐচ লোকেন

**ইম্ফাল, জুন ৮ (ঐচ এন এস):**
জনতা দল (য়ুনাইটেদ) না লমদম অসিগী অৱাবা তারবশিংদা মতেং পাঙদুনা লাকপগা লোয়ননা সগোলবন্দ এসিগী ওইনা জে দি (য়ু) গী মায়কৈদগী মতেং পাঙবগী লমথাবগী থৌরম অমা ঙসি তখেল্লম্বম লৈকায়দা লৈবা ডা. কেঐচ লোকেনগী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

লমথাবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা মহাক্লা হায়, হৌখিবা মে ৩ দগী লেপ্পা লৈতনা চথরক্লিবা হিংশাগী থৌদোকশিংনা মরম ওইদুনা ময়ুম মকৈ লৈত্রবশিং লাঞ্জেন্নরক্তুনা হৌজিক মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। মফম অসিদা লৈরিবা অৱাবা নঙলবা মীওইশিংদা পার্টি অসিগী মায়কৈদগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চত্তুনা অঙন্বা মতেং পাঙদুনা লাক্লি। মসিগী মনুং চন্না মখা তারকপা ওইনা সগোলবন্দ এসিগী জেদি (য়ু) গী ভোলুন্টিয়রশিংনা অঙন্বা মতেং পাঙবগী খোঙচৎ অমা ওইখি।

রিলিফ কেম্পশিংদা মতেং পাঙনবা পুরিবা পোৎলমশিং অসিসু মখোয়না হায়রকপগী মতুং ইন্না পুবনি। মরু ওইনা ঈশিং, অঙাংশিংনা চানবা অমুল স্প্রে, সেনিটরি আইটেম, অঙাংগী অমদি নুপীশিংগী ইনর্জি ফুদ সপ্লিমেন্ট, অচা অথকনচিংবা আইটেম নিপান পীখিবনি।

হায়রিবা অসি মখোয়না পীবিরকউ হায়বগী মতুং ইন্না জে দি (য়ু) গী ভোলুন্টিয়রশিংনা পীবনি।

ইম্ফাল ইষ্ট, ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা পীরি। মরু ওইনা কৈবী, য়ৌরবুং, পৌরাবি অমসুং শওম্বুংনচিংবনি।

মহাক্লা মখা তাখিবদা অৱাবা তারবা মীওইশিংদা ঐখোয় পুম্নমক্লা থৌদাং লৌমিন্নদুনা অঙন্বা মতেং পাঙবা অসি য়াম্না মথৌ তাই হায়খি।

# 'তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন লৈবা য়ারোই'

**ইম্ফাল, জুন ৮ (ঐচ এন এস):**
ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (অমুকো) গী মীৎয়েং মখাদা মণিপুরদা তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন অমা লৈবা য়ারোই হায়দুনা ঙসি সগোলতোংবা (লনশোনবী কৈথেল, ওইনাম বজার, নাওরেম লৈকায়, লাইশ্রুমাঙ, ককৱা বজার (ওপোজিট সিনেমা হোল), ককৱা লাইফ্রাকপম লৈকায়, চীংঙামখা মোদেল ক্লব অমদি হিয়াংথাং কৈথেলনচিংবদা খন্ন-নৈনবা মীফম পাঙথোকখ্রে।

মীয়ামগা লোয়ননা পাঙথোকপা খন্ন-নৈনবা অদুদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাং, ভাইস প্রসিদেন্ট কোইজম হেলেন, সেক্রেটরি জেনরেল ডা. দোরেন্দ্রো থোকচোম, এদভাইজর ইতো তোংব্রম, কোহরগী চিয়ারমেন ফুনিন্দ্রো কোন্সম, অমৱোভাগী প্রসিদেন্ট ৱাই কুঞ্জরানি, অমুকোগী এদভাইজর সিঐচ উসারানি, য়োফকী প্রসিদেন্ট হিজম মেঘচন্দ্র, অমেস্কোগী প্রসিদেন্ট লোইতোংবম ইবোতোম্বী, এন আর সিগী প্রসিদেন্ট থোঙাম অজিৎনা মপুং ওইবা ৱাঙাঙলোই ওইনা শরুক য়াখি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।